## হেন্দল্যুমগী ...

*লামায় ১গী মখা...* য়াগনি।

থৌরমসিদা শরুক য়াখিবা কোর্পোরেসন অসিগী দিরেক্টর লমলি কামৈনা হায়, হান্নদগী লৈজরক্লবা হেন্দল্যুমগী পোথোকশিং মীয়ামদা ফংহন্নবা হোৎনবনি। মরম অসিনা মসিগী ৱাখল্লোন্দা কোলকটা, দেল্লী, অগরটালানচিংবদা কোভিদকী চৈথেং মায়োক্নরগসু হেন্দল্যুমগী পোথোকশিং শিংলি। শেল থারক্নে, পোথোকশিং থাবীরকউ হায়রকই, মসিসু পীননবা হোৎনরি। দেল্লীগীসু চয়োল অসিদা হেন্দল্যুমগী পোথোকশিং থাখ্রগনি হায়খি। লোয়ননা কুমজা ১৯৪৭-৪৮গী অদুৱাই ফাওবদদি ঐখোয়গী পোথোকশিং ঙাক্তা শীজিন্নরম্লিবনি হায়বা ৱাফমসু ফোংদোকখি। থৌরম অদুদা হেন্দল্যুম এন্দ টেক্সটাইলসকী জেনরেল ঈ জিতেনসু শরুক য়াখি।

| FOREX (INDIA RUPEES) | |
|---|---|
| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
| Euro | 86.984357 |
| US Dollar | 73.590430 |
| British Pound | 101.363614 |
| Australian Dollar | 54.304891 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.396296 |
| Japanese Yen | 0.667435 |
| Malaysian Ringgit | 17.714353 |
| Singapore Dollar | 54.695582 |
| South Korean Won | 0.063114 |
| Saudi Arabian Riyal | 19.624115 |
| Thai Baht | 2.246879 |

| Spot Gold (24K) Rates/10gm | | | |
|---|---|---|---|
| Chennai | – | Rs | 46784.00 |
| Mumbai | – | Rs | 47150.00 |
| Delhi | – | Rs | 47050.00 |
| Kolkata | – | Rs | 47440.00 |

## GAS NEWS

**M/S R & H INDANE SERVICE IRILBUNG**
Only Home Dellivery
**Booking Upto 08/07/2021**
Valid from 30/06/21
**Stock 306 nos.**
Home Dellivery &Booking Contact numbers 8132036940, 8414824977, 8413936705
Call timing 8 am to 12 noon
Sunday closed

**KHORIPHABA NAMBOL**
**Bk. Upto 23-08-21**
**(sl.no upto 54311)**
Home delivery no:8974087390, 9366471778, 8787632782

**IMPHAL LPG SERVICE**
(Home Delivery only)
Ujjwala connection available
**Booking:03-09-2021**
Update Gas Card With Fresh personal photo . New Contact Office No. 6009392991, 9362654114, 03853560556.
Time 8:30 to 12:30 .
Those who haven't received send to whatsApp no. 9863624773 their form no1.
also available 19kg and 5kg.
please don't use other numbers except the notified one. Those Deactivated one submit Aadhar and KYC form for activation.
In view of covid19 and curfew booking can be made through IOCL
1. For whtsapp booking type <REFILL#>LPG ID NO. e.g. start from 70000000xxxxx xxx 16 digital. Send to 7588888824.
2.For onlidistributorsne payment use<Indane Oil One app>
It's applicable for all of IOCL.
Encourage online payment.
Please prepare document i.e. Aadhar accompanied with phone no.and voter ID for Ujjwala connection

**HRANGCHAL GAS AGENCY**
VALID FROM: 26/07/2021
**BOOKING UPTO: 31/07/2021**
BOOKING AND ENQUIRY ONLY : 03852444677, 9436280866
TIMING: 7:30 AM to 11:00 AM

**CANCHI INDANE SERVICE**
**BOOKING UPTO 16/08/21**
VALID FROM 20/07/21
19kg & 5kg UJJAWALA AVAILABLE
HOME DELIVERY ONLY
DELIVERY WITHIN 4 DAY
KWAKEITHEL 6009600531
NAOREM LEIKAI 9863763938 & 7005352782
CONTACT TIMING 08.00 to 10.00am

**KHUMBONG INDANE**
**Booking upto 02-09-21**
Only home delivery within 4 days
Office no.8794313865
Home delivery contact no. 7005013837, 9366008621
Whatsapp no.8794973019
Time 7.30am to 11.am

**SANTHEL BAZAR INDANE GRAMIN VITRAK**
**BOOKING UPTO 25-07-2021**
VALID FROM 17-07-2021
**STK 306**
TIME 8:00 -11:00
HOME DELIVERY DATE 09-09-2021
CONTACT NO 7005695308, 6009772483

**M/S K&K INDANE SERVICE,**
home delivery only
**Booking uptodate**
Call Timing: 8am To 12noon
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL-9362663937.
*SAGOLBAND TERA & SURROUNDING 9366727636, 9863654574, 9774213728, 9089519886.
TIDDIM LINE - 9774213728
*TAKYEL LANGJING, PATSOI AREA/ 9862239855 / 8258856407 *KONTHOUJAM A/c 9863201839, LAMSHANG A/C - 9612493837.
Enquiry no. 9856134465

**MM GAS SERVICE**
HOME DELIVERY ONLY
NO PHONE CALLS
ONLY SMS OR WHATSAPP
TIMING 8:00 AM TO 12:00 NOON
BOOKING : BK. UPTO DATE
FOR ALL IMPHAL-WEST & IMPHAL-EAST
8131942156(SMS/WHATSAPP)
7085198900(ENQUIRY)
FOR ALL THANGMEIBAND & LAMPHEL 7628098544,9089370369,9774443052
FOR ALL LANGOL AREA 7085977502
DELIVERY WITHIN 3 TO 5 DAYS

# কুম্বী অর্বান দিভেলপমেন্ট কম্মিটিনা হিজম ইরাবততা ইকায়খুম্নখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৮ (ঐচএনএস): থা অসিগী ১দগী হৌরদুনা মণিপুর অমসুং মপান্দা লৈরিবা ফুরুপসিনা চথরকখিবা ইরাবত থাবুমগী মনুং চন্না ঙরাংদগী হৌরদুনা কুম্বী অর্বান দিভেলপমেন্ট কম্মিটি (কে য়ু দি সী) না নুমিৎ নীনি চুপ্পা চথরকপা রোদ রিপিয়ারিং কম ক্লিনলিনেস দ্রাইভকী মনুং চনবা থবক থৌরমশিং ঙসি মপূং ফানা লোইশিনখিবগা লোয়ননা কুম্বী তেরাখাদা লৈবা মীয়ামগী লুচিং পুরেল ওইবীরম্বা হিজম ইরাবতকী মীতমদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখ্রে।



লময়ানবা হিজম ইরাবতকী ১২৫শুবা মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা ঙরাংদগী হৌরদুনা কে য়ু দি সীনা ৱেল কম টুকুম্বী থারিবা গেটতগীনা কুম্বী কৈথেল থোংখোঙ ফাওবগী মনুংদা লৈবা পোট হোলশিং চীংলৈবাক অমসুং নুঙ হাপচিন্দুনা এক্সিদেন্ট থোক্কদবদগী কলহৌনবগীদমক লন্নাই ওইনা শেমজিন শাজিনবগী থবক চথরকখিবনি । হায়রিবা পোট হোলশিং অসি মেনশিনবা খক্তা নত্তনা রোদ রিপিয়ারিং কম ক্লিনলিনেস দ্রাইভ অসিগী মনুং চন্না কুম্বী কৈথেল শিৎ-শেংবগী থৌরমসু পাঙথোকখিবনি।

থবকশিং অসি পাঙথোকখিবগা ইরোয়ননা ইরাবতকী মীতমদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকায়খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা কে য়ু দি সীগী মায়কৈদগী কুম্বীগী লম্বী অসি কোয়লাস থাজিনবীনবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী পূক্নিংসু চিংশিল্লক্লি।

## বি জে পি খক্তগী লৈঙাক লৈরদি চাওখৎপা...

*লামায় ১গী মখা...* য়াবা থবক কয়াদি তৌখি। মণিপুরদা ষ্টেবল ওইবা লৈঙাক অমা লৈহন্নবগীদমক বি জে পিগী এম এল এ ৩৪/৩৫ লাক্লিবা মীখল অসিদা মীয়াম্না মায় পাকহনবীয়ু। মতম অদুদা বি জে পিগী লৈঙাক শেমদুনা চহী ৫দা মণিপুর অসি হীরম খূদিংমক্তা চাওখৎপা পুরকপা ঙমগনি। মদুদা বি জে পিগী লৈঙাক অদুনা চাওখৎপা পুরকপা ঙম্মী নৎত্রগা ঙমদে হায়বদু মীয়াম্না য়েংবীয়ু। হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিনা চহী মরি মখায়রোম অসিদা চাওখৎ থৌরাংগী থবক কয়া পায়খৎখ্রে। করিগুম্বা বি জে পিখক্তগী ওইবা লৈঙাক অমা লৈহল্লবদি চহী ৫গী মনুংদা সনা লৈবাক ওনবা ঙমগনি।

ময়াং ইম্ফাল এ সীদা ট্রান্সপরেন্সি লৈবা, মীয়ামগী খনবা, ঈং-তপ্পা কোংখাম রোবিন্দ্রোগুম্বা এম এল এ অমা লৈবা হায়বসি মীয়ামগী চাউথোকচনিংঙাইনি। ঙসি শঙ্গারিবা এগ্রো মার্কেট কমপ্লেক্স অসিসু দেপ্যুটি স্পিকর কে রোবিন্দ্রোনা থম্মোয় শেংনা কখোকপগা লোয়ননা থবক তৌবদগী চহী অনী য়ৌদনা শাবা লোইশিনবনি। মমাঙদা এ সী অসিগী মীহুৎ ওইরম্বা অদুনা পোলিসি প্রোগ্রাম অমত্তা য়াওদনা উরেপ-উয়ুং তল্লমখিবা দাইট সেন্টরগী মতাংদা হৌজিক কোংগ্রেস পার্টিনা ওইদ-পাদবা কয়া মীয়ামদা হায়জিন্দুনা পোলিটিকেলগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনবা অসি লাইবক থিবনি হায়নসু চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা দেপ্যুটি স্পিকর কে রোবিন্দ্রোনা ফোঙদোকখিবদা, কোংগ্রেস লৈঙাক্কী মতমদা এ সী অসিগী মফম কয়াদা চাওখৎ থৌরাং পায়খৎপগী মিংদা উরেপ উয়ুং তল্লম্লগা শেমগৎ-শাগত্তনা থল্লম্বা ঙাক্তনি। হৌজিক্তি বি জে পি লৈঙাক্কী মতমদা এ সী অসিদা চাওখৎ থৌরাংগী থবক কয়া মপূং ফানা পায়খৎপা ঙম্লে। বেঙ্গুনগী মীয়ামদা থক্লবা অফবা ঈশিং ফংহনবা ঙম্লে। ময়াং ইম্ফালদা শাগদৌরিবা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অসিসু চহী অনীগী মনুংদা শাবা লোইশিন্নবা হোৎনগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা এগ্রিকলচর মিনিষ্টর ও লুখোই, এদ্যুকেসন মিনিষ্টর এস রাজেন, সি এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর টিঐচ সৈত্যব্রত, সেকমাই এ সীগী এম এল হৈখাম দিঙ্গো অমসুং হিয়াংলম এ সীগী এম এল এল ডা. ৱাই রাধেশ্যামসু শরুক য়াখি।

## ৱিমেন কম্মিটিনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৮ (ঐচএনএস): য়ুনাইটেদ এন জি ও মিসন মণিপুর (য়ু এন এম-এম) গী ৱিমেন কম্মিটিগী এক্টিভ মেম্বর ওইরম্বা ফুথৌ ভৈখোলম মাতেনা মনুং মতম চাদনা লৈখিদববদা কম্মিটি অসিনা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

ময়াম্না লল্লম মাতে হায়রগসু খঙনবা ফুথৌ ভৈখোলম মাতে তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মোলনোই ভিলেজদগী লৈখিদ্রবা ফুথৌ কোনখোজাং মাতেগী মচানুপীনি। মহাক্লা লৈখিদবা মতমদা ৱিমেন কম্মিটি অসিগী মেম্বর ওইরম্বদা নত্তনা ওল ত্রাইবেল ৱিমেন ওর্গানাইজেসন, চান্দেলগীসু প্রসিদেন্ট ওইখিবীনি।

মহাক্লা মীয়ামগীদমক কুমজা ২০০৪দগী থৌদাং য়ারমখিবা থবকশিং অদুবু নীংশিংলদুনা মহাক লৈখিদবা অসি ষ্টেট অসিগী ওইনা মাঙজবনি হায়রি।

মহাক্কী লৈহৌরিবা ইমুং মনুংগী অৱাবদসু ৱিমেন কম্মিটি অসিগী কো-ওর্দিনেটর মোনিকা চনুনা থোরকপা চেরোল অমনা শরুক য়াবা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা মহাক্লা মপুগী মফমদা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবগীদমক থৌনিজখি হায়রি।

## গ্রেদ ফোরগী এগজামিনেসন পেটর্ন খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৮ (ঐচএনএস): মণিপুর গভর্ণমেন্টকী দিরেক্টোরেট ওফ এমপ্লোয়মেন্ট, লম্ফেল পাৎকী মায়কৈদগী এদিসনেল দিরেক্টর (ইন-চার্জ) হুইদ্রোম সোফিয়ানা থা অসিগী ৪দা থোকখিবা নোটিফিকেসন অমগী মতুংইন্না গ্রেদ ফোর (পিওন/চৌকিদার) গী এগজামিনেসন পেটর্ন অসি এম সী ক্যু টাইপতা মার্ক ১০০গী ওইরগনি। অপূনবা মার্ক ১০০সিগী মনুংদা ৫০না জেনরেল ইংলিসকী ওইরগা অতোপ্পা মার্ক ৫০না জি কেগী ওইবগা লোয়ননা মসিগী মতমনা পুং ১ মখায় ওইরগনি হায়রি।

নোটিফিকেসন অসি সেক্রেটরিএট : লো এন্দ এমপ্লোইমেন্ট দিপার্টমেন্টকী থা অসিগী ৩দা পীরকখিবা চেরোলশিংগী মতুংইন্ননি হায়রি।

## পোষ্ট কোভিদতা ফিসিও থেরাপি মরু ...

*লামায় ১গী মখা...*

হাংদোক্লিবা কন্সলটেসনগী মতম অসিসু প্রোটোকোল অমগী মখাদনি হায়রদুনা ইন্দিয়ন এসোসিএসন ওফ ফিসিও থেরাপি ৱিমেন সেলগী মখাদা অমদি এক্যুইট প্রোটোকোলদনা দল্লিয়ু ঐচ ওনা পীরিবা ক্রোনিক কেস (পোষ্ট কোভিদ) শিংদা তৌগদবশিং অদু শীজিন্নবনি। হায়রিবশিং অসি মীয়াম পূন্না খঙমিন্নবসু চঙই হায়খি।

কোভিদ-১৯দগী নাবা ফরক্লবসু রিহেবিলিটেসন তৌবগী তঙাইফদবা লৈ। মরমদি শ্বর হোনবা ৱাবা, খোঙ-খূৎ চিকপা, ৱাখল ৱাবা কয়ানা শোন্থবা ওইহল্লকই। মসিগীদমক থৌরাং অসি পায়খৎপনি হায়খি।

থৌরম অসিদা অখন্নবা মীথুং ওইখিবা সোসল ৱার্কর লাইশোম সন্তোস এলিয়জ বোনিনা মহাক্কী ইমুংমক্তদা পোষ্ট কোভিদনা মখুরা অনী লৈখিদবনি। মরম অসিনা ঙসিগী থৌরম অসি পাঙথোকপা য়াম্না লাইবক ফবনি। পোষ্ট কোভিদনা মরম ওইদুনা ৱাখল শোন্থহল্লকপা অসিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক পান্দৈশিংগী মঙাল পীনবনি খন্দুনা ঙসিগী থৌরম অসি পাঙথোকচবনি হায়খি।

## সিজ ফায়র...

*লামায় ১গী মখা...* নাগালেন্দদা ঈং-তপ্পা মখা তানা লৈহন্নবগী পান্দমদা খূৎয়েক পীনবনি হায়রি। ঙসি ন্যু দেল্লীদা নাকল অনীমক্লা য়ানখিবা এগ্রিমেন্ট অদুদা খূৎয়েক পীখিবশিংনা এন এস সী এন/(কে) নিক্কীগী মায়কৈদগী সী এফ এস বিগী সুপরভাইজর নিকাকো পাইলোট সুমি অমসুং মেম্বর অবেল জিংরু থুয়েরনি অদুগা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগীনা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসকী এদিসনেল সেক্রেটরি পিয়ুস গোয়লনা খূৎয়েক পীখি।

সিজ ফায়র এগ্রিমেন্ট অসি ঙসিদগী হৌরদুনা মথংগী কুমজা ২০২২গী সেপ্টেম্বর ৭ ফাওবা চৎনগদবনি। নাকল অনীমক্লা খূৎয়েক পীনরিবা সিজ ফায়র এগ্রিমেন্ট অসিগী মতুং ইনবা য়ান ৱারোলশিংগী মতাংদা শেমদোক শাদোক্কদবা লৈরবসু পার্টি অনীমক্কী মীওইশিং শরুক য়াদুনা নাকল অনীমক্লা য়ানরবা মতুংদা রিভিয়্যু অমদি এমেন্দমেন্টনচিংবা পাঙথোক্কনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, নাগা লালহৌলূপশিংগী মনুংদা মাঙজিল থাবা অমসুং মপাঙ্গল কনবা লূপ অমা ওইরিবা এন এস সী এন (আই এম) গসু চহী কয়াগী মমাঙদগী নাগা পোলিটিকেল ইস্যু লোইশিলহন্নবনি হায়দুনা ঙসি ফাওবদা সিজ ফায়র এগ্রিমেন্ট তৌনদুনা লাক্লিবনি।

## প্রভিস চনম...

*লামায় ১গী মখা...* পাঙথোক্লগনি হায়রি। পিপল এক্সন কম্মিটি এগেনষ্ট দি ব্রুটেল কিল্লিং ওফ প্রভিস চনম ওফ উরিপোক অচোম লৈকায় এট গ্রেটর নোইদা (উত্তর প্রদেশ) না শীন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা নীংশিং থৌরম অসিদা মহৈরোয়শিংগী লূপশিং, মৈরা পায়বী, ক্লব, সী এস ওশিং অমসুং মীয়াম্না লৈখিদ্রবগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তম্নগী থৌরম অসিদা শরুক য়াবীয়ু হায়রি।

## ময়াং-ইম্ফালদা দ্রগ শুংফম ...

*লামায় ১গী মখা...* কমান্দ মখাদা এস আই টিঐচ ইবোমচা, এ এস আই জোতিননা লুচিংবা ময়াংইম্ফাল পুলিসকী টিম অমনা ওপরেসন চথখি।

চিরাই অৱাং লৈকায়দা নুংথিলগী পূং ১.৩০ তাবা মতমদা কোইশিন্দুনা ওপরেসন চথবা অদুদা মীওই অনী নাম্থোক্তুনা চেনখি। মফম অদুদা এমদি সলম অস্লম খান (২৯) অপোকপা এমদি জোলোদিনগী য়ূম কোইশিন্দুনা থী-হুন্সগী থবক চথখি। মফম অদুদা লৈরম্বা এমদি নৱাজ খান এলিয়জ অবো (২৩) অপোকপা এমদি সমেরুদ্দিন কৌবা ইরোং খুন্নৌ মচিন্দা লৈবা মীওই ৱাহং-পাউহং চথখি।

মহাক্লা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না দ্রগ শুংফম অদু এমদি অস্লম খানগী য়ূমনি হায়বা খঙখি। লৈকায়গী মীওইশিংনসু মফম অসি দ্রগ শুংফম্নি হায়না ফোঙদোরকপগা লোয়ননা নুংথিল পূং ২.৩০ রোম তাবদা মফম অদুদা লৈরম্বা পোৎলমশিং ফাগৎখি। ফাগৎলবা পোৎলমশিং অদুদি লিটর ১০০ চনবা অঙাংবা মচুগী ব্রাইট ১, লিটর ৫৫ চনবা এমোনিয়ম ক্লোরাইদ সোল্যুসন য়াওবা লিটর ১০০গী ব্রাইট ১, লিটর ১০০ চনবা হিগোক মচুগী ব্রাইট অদুদনা এমোনিয়ম ক্লোরাইদ সোল্যুসন লিটর ৬০ য়াওরমখি। লিটর ১০০ চনবা অশংবা মচুগী ব্রাইট অদুদনা এমোনিয়ম ক্লোরাইদ সোল্যুসন লিটর ৫০ য়াওরমখি। পোৎলমশিং অসি কানি শুংনবা শীজিন্নরম্বনি।

অশংবা মচুগী প্লাষ্টিক্কী টব অহাঙবা ১, ইঞ্চি ১০ ৱাংবা অহাঙবা টব এল্যুমিনিয়ম ১, গ্যাস সিলিন্দর ১, গ্যাস বর্নর ১ (সিঙ্গল ষ্টোভ), অঙৌবা মচুগী প্লাষ্টিক বেগ অমগী মনুংদা কেজি ৫.৯ গী শুনু য়াওরমখি। এমোনিয়ম ক্লোরাইদ হাপ্পা অহাংবা বোট্টল ২, এমোনিয়ম ক্লোরাইদ য়াওবা বোট্টল ১, ৱাওথাংনবা মচুগী রব্বর গ্লোভ ১, এমদি অস্লাম খানগী ভোট্টর আই দি ১ য়াওরমখি।

এস বি আইগী এ টি এম কার্দ ১, এম পি-জে কার্দ ১, পান কার্দ ১, দ্রাইভিং লাইসেন্স ১, মোবাইল হেন্দসেট স্মার্ট ফোন ১, জিওগী সিম কার্দ ২, নোকিয়া ফোন ১, হোন্দা এক্তিভা অঙাংবা মচু এম এন ০১-এফ/২৯৮৯ অমা, ৱাওথাংনবা ৱাল্লেট ১ য়াওখি। নাম্থোকখিবা মীওই অনী অদুদি- চিরাই অৱাং লৈকায়দগী এমদি অস্লাম খান (২৯) অমদি থৌবাল মোইজিংদগী এমদি তারিক (২৪) নি হায়রি। ময়াংইম্ফাল পুলিসনা কেস অমা লৌখৎপগা লোয়ননা মখা তানা থী-হুন্সগী থবক চথখি।

অমরোমদা, ঙসি নুংথিল পূং ২.৫০ রোম তারকপদা এন এ বিগী কাঙবু অমনা চান্দেলদগী তান্নরকপা অমুবা মচুগী বোলেরো এম এল-০১-৫৩০৯ অমা কোংবগী ষ্টেন্দর্দ কোলেজ মনাক্তা থৎলগা চেক তৌবদা হিরোইন নম্বর ফোর গ্রাম ৮৭৫ য়াওরম্বদগী ফাগৎলে হায়রি।

বোলেরো অদু নোংপোক লৌরেম্বম অৱাং লৈকায়দগী খুমল্লম্বম ধিরেন (৫৩) অপোকপা লৈখিদ্রবা কে ঐচ নিংথেমজাওনা থৌরকখিবনি। দ্রগশিং অদু চেকশিন্না য়োল্লগা সাপোন কেপতা হাপ্তুনা পুরম্বনি। এন এ বিনা মঙোন্দগী দ্রগ অমসুং বোলেরো অদুদা নত্তনা মোবাইল হেন্দসেট ৩, সিম কার্দ ৩, অধার কার্দ ১, দ্রাইভিং লাইসেন্স অমসু রিকোভর তেরে হায়রি।

## প্রেসরশিংগী শাফুদা স্পিকরগী ওর্দর ৱিঠদ্রো তৌজখ্রে...

*লামায় ১গী মখা...* চীফ মিনিষ্টর, দেপ্যুটি স্পিকর, ওপোজিসনগী লিদর অমসুং চীফ সেক্রেটরিনচিংবদসু কোপি অমমম পীখি।

চৈরকসিদা, মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকরগী মায়কৈদগী মহাক্লা থা অসিগী ১দা থোকখিবা ওর্দর অদু থা অসিগী ৪দা অমুক হন্না চৎনহন্দনা থল্লে হায়রবা ফাওবদা য়ারক্তবদগী ঙসি ৱিথদ্রো তৌরে হায়দুনা ওর্দর থোক্লিঙৈদা চীংগী তোঙান তোঙানবা লূপ তরেৎকী মায়কৈদগী হিল এরিয়াজ কম্মিটিনা রেক্কমেন্দ তৌখ্রবা মণিপুর (হিল এরিয়াজ) ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলস বিল, ২০২১ অদু খন্ননবগীদমক মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী অখন্নবা সেসন অমা কৌগদবনি হায়বা অপূনবা চেরোল অমা লূপশিং অসিগী মায়কৈদগী থোরকখ্রে।

ৱাফম অসি ফোঙদোরক্লিবা লূপশিং অদুদি অটসুম, অন্সম, কে এস ও-জে ঐচ ক্যু, সী এন পি ও, এন সী এ সী, এন এস য়ু সী অমসুং এন দল্লিয়ু সীনি। অপূনবা চেরোল অসিদা হায়রিবা চীংগী লূপ তরেৎ অসিগী প্রসিদেন্টশিংনা পূন্না খূৎয়েক পীদুনা থোরকপনি।

হৌজিক লাক্লিবা ৱাফমদি লূপ তরেৎ অসিগী ঙসিগী চেরোল অসিদা থা অসিগী ১দা এসেমব্লিগী হিল এরিয়াজ কম্মিটিদা অনৌবা মেম্বরশিং হাপচিনখিবা অদু খুদক্তা হন্দোক্কদবনি হায়বা ৱাফম য়াওজরগসু মসিগী মতাংদদি ঙসি থোকখিবা এসেমব্লিগী ওর্দর অমনা ৱিথদ্রো তৌজখ্রবনিনা মখা তানা চয়েৎনবা লৈররোইদৌবা ওইরগসু হিল এরিয়াজ কম্মিটিনা রেক্কমেন্দ তৌখ্রবা মণিপুর (হিল এরিয়াজ) ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলস বিল, ২০২১ অদু খন্ননবগীদমক এসেমব্লিগী অখন্নবা সেসন অমা কৌগদবনি হায়রক্লিবা ৱাফম অসিগী মতাংদদি করি করম্বা ফিরেপ লৌরক্কদৌরি হায়বসিনা অনৌবা অমসুং হিল এরিয়াজ কম্মিটিগী মেম্বরশিং নৌনা হাপচিল্লুবগী ৱাথোক অসিগী মতুং শমথহৌগদবা ৱাফম ওইগদৌরি।

পনবা য়াবদি, কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী অকক্লবা আর্টিকেল অমা অমসুং প্রসিদেন্সিএল ওর্দরস অমসুং মসিগী মতুং ইনবা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসকী নোটিফিকেসন অমগী মতুংইন্ননি হায়দুনা হিল এরিয়াজ কম্মিটিদা অনৌবা এসেমব্লি সেগমেন্ট ৯গী মীহুৎশিংবু মেম্বরশিং ওইবদা অয়াবা পীখিবা অদুগী মায়োক্তা থা অসিগী ৬তা পাঙথোকখিবা এসেমব্লিগী হিল এরিয়াজ কম্মিটিগী অথুবা মীফম অমনসু ওর্দর অদুগী মায়োক্তা লেপখিবগা লোয়ননা থৌওং অদু অন-কন্সটিট্যুসনেল ওইবা থৌওংনি হায়রদুনা অথুবা মতমদা হন্দোক্লবগী ৱারেপ লৌখিবনি।

মীফম অদুদা কম্মিটি অসিগী মেম্বরশিং ওইরিবা বি জে পি, এন পি এফ, এন পি পি অমসুং কোংগ্রেসকী এম এল এশিংগী মনুংদগী অৱাংবৌ ন্যুমাই, ভি হঙ্খলিয়ন, দি কোরুংথাং, দি দি থাইসি, টি এন হাওকিপ, গাইখাঙম, এন কাইসি, নেমচা কিপগেন, খাসিম বাসুম, য়ামথোং হাওকিপ অমসুং অলফ্রেদ কানঙম অর্থরসু শরুক য়াখিবনি। মসিগী মথক্তা তাঙ্খুল কটমনাও শকলোং, নাগা পিপলস ফ্রন্ট, কুকি চীফস এসোসিএসন (মোরে ব্লোক), হিল ত্রাইবেল কাউন্সিল (মোরে), অটসুম, কে এস ও-জি ঐচ ক্যু, অন্সম, ঐচ এস এ চুড়াচান্দপুর (জোইন্ট হেদ কার্টর), কে এস ও (চুড়াচান্দপুর), য়ু এন সী অমসুং কুকি ইনপি মণিপুরনচিংবনা অকনবা মঙংদা কন্দেম তৌখিবনি।

লোয়ননা লূপশিং অসিগী মনুংদগী কুকি ইনপি মণিপুরনদি চীফ মিনিষ্টরদা অইবা চেরোল পীশিন্দুনা ৱাকৎখিবনি। মসিগী মথক্তা হান্নগী এম পি/এম এল এ বি দি বেহরিংনসু অকনবা মঙংদা য়ানীংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা নম্বর ২-আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিগী লোক সভাগী মেম্বর ডা. লোরহো এস ফোজেনসু স্পিকরগী থৌওং অসিগী মায়োক্তা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্টদা অইবা চেরোল পীশিন্দুনা ৱাকৎখিবা লৈখি।

## ফিজিকেল এগজামদা শরুক য়াজগে হায়রক্লে...

*লামায় ১গী মখা...* শেম শারে হায়রি।

মণিপুর লৈঙাক্লা লৌখিবা ফিরেপকী মতুংইন্না এগজামিনেসন পাঙথোকখিদ্রবসু মহৈরোয়শিং অসিগী একাদেমিক করিয়রদা অপনবা থোকহন্দনবগীদমক লাউথোকখ্রিবা রিজল্ট অদুগী মতুংদা মদুবু য়ানীংদবা মহৈরোয় ১০০ হেনবনা কাউন্সিলদা মখোয়গীদমক্তদি ফিজিকেল এগজামিনেসন পাঙথোকপীননবা হায়জরক্লে হায়বা পাউ অমদগী পাউচে অসিনা অখন্ননা কোসেমগী কন্ট্রোল্লর ওফ এগজামিনেসনগা হকথেংননা উনখিবনি।

লোয়ননা ওইরক্লিবা ফীভম অসিগী মতাংদা মহাক্লা হায়, ফিজিকেল এগজামিনেসন ওইনা পাঙথোকপীয়ু অদুগা হায়রিবা এগজামিনেসন অসিদা শরুক য়াজগে হায়রক্লিবা মহৈরোয়শিং অদুগী মনুংদা সাইন্স, আর্টস অমদি কম্মর্স ষ্ট্রিম অহুম্মক্কী মহৈরোয়শিং য়াওরে হায়রি।

ফিজিকেল এগজামিনেসন ওইনা পাঙথোক্লগা শরুক য়াজগে হায়রক্লবনিনা মসিগীদমক এপ্লিকেসন থারক্লিবা মহৈরোয়শিংগীদমক পাঙথোক্কদৌরিবা এগজামিনেসন অসি লৈঙাক্লা পীবা কোভিদ এপ্রোপ্রিএট বিহেবিয়র/এস ও পিশিং চেকশিন্না ঙাক্তুনা পাঙথোক্লগনি। এগজামিনেসন অসিদা অনৌবা চৎন-কাঙলোন শেমদুনা হোংদোক-হোংজিন লৈরোই। মমাংদা পাঙথোকখিবা এগজামিনেসনগুম্না মহৌশাগুম অদুমক পাঙথোক্কনি। রিজল্টসু অথুবা মতমদা হায়দোক্লবা হোৎনগনি হায়না ফোঙদোরকখি।

পনবা য়াবদি, মহৈলোয়শঙশিংদগী ফংখিবা অপুনবা মহৈরোয় ৩১,১৩৬নি। মসিগী মনুংদা মহৈরোয় ৬২গী রিজল্ট ৱিথ হেল্ডদা থম্লগা লেমহৌরিবা মহৈরোয় ৩১,০৭৪গী রিজল্ট লাউথোক্তুনা প্রমোসন পীরে হায়না লাউথোকখিবনি। এদ্যুকেসন মিনিষ্টর এস রাজেননা কোসেমগী ক্লাস ১২কী রিজল্ট লাউথোকখিবা অদুগী মতুংইন্না মহৈরোয় ১৬,৩৯৫না ফার্ষ্ট দিভিজন, মহৈরোয় ১৩,১০০না সেকেন্দ দিভিজন, মহৈরোয় ১,৫৫৭না থার্দ দিভিজন অদুগা মহৈরোয় ২২না সিম্পল পাসতা পাস তৌরে হায়না লাউথোকখি। লোয়ননা অপুনবগী ওইনা সাইন্স, আর্টস অমসুং কম্মর্সকী ষ্ট্রিমদা পাস তৌবগী পর্সনটেজনা চাদা ৯৯.৮০নি। মসিগী মনুংদা আর্টস ষ্ট্রিমদগী মহৈরোয় ৯,০৬১, সাইন্স ষ্ট্রিমদগী মহৈরোয় ২১,৩৮৭ অমসুং কম্মর্স ষ্ট্রিমদগী মহৈরোয়না ৭৪৭ ওইখি। অপুনবা সবজেক্ট অহুমসিগী মহৈরোয় ৩১,১৯৫না এগজামিনেস অসিগীদমক এনরোল তৌরকখি। লোয়ননা এগজামিনেসন রিজল্ট অদুদা শরুক য়াখিবনা মহৈরোয় ৩১,১৩৬ ওইখি। মহৈরোয়শিং অসিগী মনুংদা মহৈরোয় ৩১,০৭৪দা প্রমোসন পীরে হায়না মিনিষ্টরনা লাউথোকখিবনি। অদুবু হায়রিবা কোসেমগী ক্লাস ১২কী রিজল্ট অসিদা মহৈরোয় খরদি স্কুলশিংনা থাগৎলকখিবা রিপোর্ট অদুগী মতুংইন্না মখোয়না ফংলিবা মার্কশিং অদু পেনদে। মরম অদুনা ফিজিকেল ওইনা এগজাম থাজগে হায়না কোসেমদা এপ্লিকেসন থারকখিবনি হায়রি।

## পুং ২৪গী মনুংদা মীওই ৩ লৈখিদ্রে...

*লামায় ১গী মখা...* কোভিদ-১৯গী পোজিটিভ কেস ২৬৮ থেংনখি হায়রি। অপূনবা মশীংসিগী মনুংদা মীওই ১০না সেন্ত্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সকী পর্সনেলশিংনি অদুগা লেমহৌরিবা মীওই ২৫৮না মীচম মীয়ামশিংনি। মীচম মীয়ামশিং অসিগী মনুংদা নুপা ১৩৩ অমসুং নুপী ১২৫নি হায়রি।

অনৌবা পোজিটিভ কেসশিং অসি থেংনখিবা মফমশিংনা রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) তা ১১, জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস) তা ৩৩ অমসুং অতোপ্পা টেষ্টিং সেন্টরশিংদনা অনৌবা কেস মশীং ২২৪ থেংনখিবনি হায়রি। পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অদুনা ইম্ফাল ইষ্ট ৫৯, ইম্ফাল ৱেষ্ট ১১৩, থৌবাল ৪, বিষ্ণুপুর ৮, ককচীং ৬, উখ্রুল ১১, চুড়াচান্দপুর ৩৫, চান্দেল ৭, সেনাপতি ৫, তমেংলোং ৪, নোনে ৩, ফেরজোল ২ অমসুং কামজোং দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ১নি হায়রি।

মখোয়গীদমক্তা লৌখৎফম থোকপা মাঙজৌনবা মেদিকেলগী চেকশিন থৌরাংশিংগী মনুংদা কন্টেনমেন্ট অমসুং কন্টেক্ট ত্রেসিংনচিংবগী থবকশিং লৌখৎলে হায়রি।

লোয়ননা ঙসিগী ওইনা লায়না অসিদগী ফগৎলক্তুনা দিসচার্জ তৌখ্রবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীংনা ২৬৯নি। মখোয়গী মনুংদা হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈরকপা মীওইশিংগী মরক্তগী ৮৭, রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) তা লায়েংলকখিবশিংগী মনুংদগী ৯, জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস) তা লায়েংলকখিবা পেসেন্টশিংগী মনুংদগী ১৫, কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদগী মীওই ৭৭ অমসুং কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টরশিংদগীনা মীওই ৮১নি হায়রি।

অদুম ওইনমক ঙসি নৌনা থেংনখিবা পোজিটিভ কেস ২৬৮ অসি থারবা মতুংদা হৌজিক ফাওবদা ষ্টেট অসিদা থেংনবা অপূনবা পোজিটিভ কেস মশীং ১,১৬,১৩৪ য়ৌরে। মসিগী মনুংদা মীচম মীয়ামশিংগী মশীংনা ১,১১,৯৭৭নি। অদুগা সেন্ত্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী মশীংনা ৪,১৫৭নি হায়রি।

ঙসি ফাওবদা লায়না অসিদগী ফগৎলক্তুনা দিসচার্জ তৌখ্রবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীংনা ১,১১,১৬৫নি। মসিগী মনুংদা মীচম মীয়ামশিংগী মশীং ১,০৭,০৫৮ য়াওবগা লোয়ননা সেন্ত্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী মশীংনা ৪,১০৭নি। অদুগা হৌজিক ষ্টেট অসিদা লৈরিবা অপূনবা এক্টিভ কেসশিংগী মশীংনা ৩,১৬৪ ওইরি। মসিগী মনুংদা মীচম মীয়ামশিংগী মশীংনা ৩,১১৯নি অদুগা সেন্ত্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী মশীংনা ৪৫ ওইবগা লোয়ননা রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৫.৭২দা য়ৌরক্লে হায়রি।

অদুম ওইনমক কোভিদ-১৯ পেন্দমিক অসিবু মায়োক্নবগীদমক লৌখৎলকপা চেকশিন থৌরাংশিংগী মনুং চন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা হেল্থ ফেসিলিটিশিংদা পূন্না ফংহনখিবা ওক্সিজেন সিলিন্দরশিংগী মশীংনা দি টাইপ ১৫৬৭ অমসুং বি টাইপ ৩১০নি হায়রি।

অমরোমদা, ঙরাং খক্তদা মীওই ৬৩৬৯ কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকখিবা অদু থারগা ঙরাং ফাওবদা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকখিবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীং ১৫,৭৫,৯৫১ শুরে। মখোয়গী মনুংদা অহানবা দোজগী হীদাক কাপথোক্লবা মীওইশিংগী মশীংনা ১১,৯৭,০১৬নি। অদুগা অনীশুবা দোজগী হীদাক কাপথোক্লবা মীওইশিংনা ৩,৭৮,৯৩৫নি হায়রি।

লোয়ননা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক অসিবু মায়োক্নবগীদমক লৌখৎলকপা চেকশিন থৌরাংশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা তোঙান তোঙানবা লায়েংশঙশিংদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা কোভিদ-১৯ পেসেন্টশিংগী হাঙদুনা লৈরিবা ফমুংশিংনা রিমস (কন্টেক্ট নম্বর ৭৬৪০৮৬২৩৯৬) জেনরেল বেদ ১৮০, আই সী য়ু/ঐচ দি য়ু বেদ ২১, জেনিমস (কন্টেক্ট নম্বর ৮৮৩৭৩৪২৫২৬) জেনরেল বেদ ৪৬, আই সী য়ু/ঐচ দি য়ু বেদ ১১, আইলেন্দ হোস্পিটাল (ফ্রী ওফ কোষ্ট, কন্টেক্ট নম্বর ৯৫৪০৪০৪৯৫৫, ৭০৮৫২০৬৮২০) - জেনরেল বেদ ১৯, এম এস এফ লিট্টল ফ্লৱর স্কুল (ফ্রী ওফ কোষ্ট, কন্টেক্ট নম্বর ৯৩১১২২২৯৪৭) জেনরেল বেদ ১৩, আইসীয়ু/ঐচদিয়ু বেদ ৬, সী এম সী, কোইরেঙ্গৈ (কন্টেক্ট নম্বর ৯৬১২৬৩৬০০৪, ৯৬১২৯০৫৬০৮) জেনরেল বেদ ২৭, আই সী য়ু/ঐচ দি য়ু বেদ ৪, ইবোয়াইমা হোস্পিটাল, শিংজমৈ (কন্টেক্ট নম্বর ৭০০৫৪৩৬৮৭০, ৯৬১২০২২১২৫) জেনরেল বেদ ২৭, আই সী য়ু/ঐচ দি য়ু বেদ ৩, জিবন হোস্পিটাল, ককচীং (কন্টেক্ট নম্বর ৯৩৬৬০৩৪২৭২, ৭০৮৫৩৪৮৩৬৬) জেনরেল বেদ ১৬, আইসীয়ু/ঐচদিয়ু বেদ ৮, শিজ হোস্পিটাল (কন্টেক্ট নম্বর ৯৪৩৬৮০৭৩৪৬, ৭০০৫১২৫১৫৮) জেনরেল বেদ ৪৩, আই সী য়ু/ঐচ দি য়ু বেদ ৩০ অমসুং রাজ মেদিসিটি (কন্টেক্ট নম্বর ৭০০৫১০৫৫৫২, ৯৩৬৬৪৯৬৪১১) জেনরেল বেদ ৮২ অমসুং আই সী য়ু/ঐচ দি য়ু বেদ ১৮ নি হায়রি।

লোয়ননা অপূনবা হোস্পিটাল অমসুং লায়েংশঙ ওইনা শীজিন্নরিবা মফম মাপন অসিদা ঙসি ফাওবদা কোভিদ-১৯ পেসেন্টশিংগীদমক হাঙদুনা লৈরিবা ফমুংশিংগী মশীংনা জেনরেল বেদ ৪৫৩ অমসুং আই সী য়ু/ঐচ দি য়ু বেদ ১০১ পূন্না ৫৫৪নি হায়রি।

## ভুপেন্দ্র য়াদব মণিপুরগী ইলেক্সন ...

*লামায় ১গী মখা...* লৈরিবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি ৬০গী মনুংদা বি জে পিনা কন্সটিট্যুএন্সি ১৫ চৎলে। মসি চৎতবা য়াদ্রবা থৌদাং অমনি। ষ্টেট প্রসিদেন্ট ওইরকপদগী জিরিবাম এ সী অসিনা ১৫শুবা এ সী ওইনা লাকচবনি। মরু ওইনা জিরিবামদা লাক্লিবা অসিগী মরমদি পার্টি অসিবু মতৌ করম্না মপাঙ্গল কনখৎহনগদগে হায়বগী মতাংদা খন্ননবা লাকচবনি।

বি জে পি হায়রিবা পার্টি অসি অতোপ্পা পার্টিগা মান্নদবা হায়বদি ইলেক্সন মতমদতদা মীয়ামগী মনাক্তা লাকপা, ইলেক্সন লোইখ্রগনা মীয়ামগী মরক্তা অচৌবা অহোবা অমা থম্বা অদুগুম্বা পোলিটিকেল পার্টি অদু নত্তে। বি জে পিগী এম এল এ কাহনবা অদুগা চীং তম অমদি কম্যুনিতি খুদিংগা পূকচেল মান্ননা লৈবা অসিগুম্বা পার্টি অমমুক হন্না পুরকপা হায়বসি বি জে পিগী পান্দমনি। বি জে পিগী টিকেট অসি মীয়াম্না পাম্বা মীওইদা পীগনি। মরমদি মীয়ামগী থৌগল তৌগে হায়না থোরকপা ওইবনা বি জে পিনা টিকেট পীবা হায়বসিতবু মীয়ামগী অপাম্বা অমদি কেন্দিদেট ওইগদৌরিবা অদুনা মীয়ামগীদমক করিগুম্বা খরা মীয়াম্না পাম্বা মওংদা তৌবা ওইগদবনি হায়নসু মহাক্লা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি। মীয়াম্না পাম্বা মীওইদা বি জে পিগী টিকেট পীগনি হায়খি।

## 'পম্থৌগী লিক্লম'...

*লামায় ১গী মখা...* ফিল্ম অসি লৈবাক নীংবা ৱারীদা য়ূম্ফম ওইবা অতেনবা ফিল্মনি। ফিল্মসিদা এক্টর তোম্থোইনা এক্ট তৌবগা লোয়ননা মসিগী প্রদ্যুসরনা সুরজ খোংবান্তাবমনি অদুগা ষ্টোরি অমসুং সিনেমাটোগ্রাফরনা সোমেন্দ্রো মোইরাংথেম অমসুং ধমেন লাইশ্রমনি। ম্যুজিকতা তেনাও ঐচ দিনা ওইরগা প্রদক্সন মেনেজরনা শান্তিরাজনি। অদুগা ফিল্ম অসিগী এদিটর অমসুং দিরেক্টরনা রাকেস মোইরাংথেমনি।

ফিল্ম অসি ১৩শুবা ইন্টরনেসনল গুৱাহাটি ফিল্ম ফেষ্টিবেলদা জুরিস স্পেসল মেন্সন এৱার্দ ফংখ্রে। লোয়ননা মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিংগী মখাদা নেসনল ফিল্ম দিভেলপমেন্ট কোর্পোরেসননা শীনবা শোর্ট ফিল্ম কম্পিটিসন ওন নেটাজি দ্রিমস ফোর ইন্দিয়া, ২০২১দা বেষ্ট শোর্ট ফিল্মগী এৱার্দ ফংখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা ওস্কার ক্বালিফায়িং ফেষ্টিবেল ওইরিবা বেঙ্গলুরু ইন্টরনেসনল শোর্ট ফিল্ম ফেষ্টিবেল ২০২১দসু নন কম্পিটিসন সেক্সন্দা ওফিসল সেলেক্সন তৌরকখ্রে।

লোয়ননা সিলিগুরি সিনে সোসাইটিনা শীনবা ৮শুবা সিলিগুরি শোর্ট এন্দ দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম ফেষ্টিবেল, ২০২১দসু ওফিসল সেলেক্সন তৌরকখ্রবা ফিল্মনি হায়রি।

## ঙসিদগী প্রী পেদ কাউন্টর থিংজিল্লনি...

*লামায় ১গী মখা...* চঙশিল্লদুনা থবক লেপ্পগী খোঙজং ফাওবা হৌরগনি হায়খি। মরম অসিনা এমপ্লোয়ীশিংনা মখোয়গী ফংফম থোকপা দিমান্দশিং অসি তান্দুনা খোঙজং চঙশিল্লিঙৈ মনুংদা মৈ য়াখিদবা য়াওরক্লবসু মদুবু শেমজিন শাজিনবা (মেন্টিনেন্স) কী থবকশিংসু লেপ্পগনি হায়খি।

ইলেক্ট্রিসিটি এমপ্লোয়ীশিংদা তরেৎশুবা পে পীগদবনি হায়না লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংদা মাঙজৌননা হায়জখিবা লৈখ্রে। লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু হায়রিবা রিভিজন ওফ পে অসিগী মতুংইন্না এমপ্লোয়ীশিংদা খুদোংচাবা ফংহল্লগনি হায়বগী থাজবসু পীরকপা লৈখ্রে। অদুবু হায়রিবা ৱাশকশিং অদু ঙসি ফাওবদা থবক্তা ওম্থোক্তনা লৈরকপনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, ঙসিদগী হৌখিবা মৈগী এমপ্লোয়ীশিংগী খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা এমপ্লোয়ীশিংদা মান্নবা মীৎয়েং থম্বীয়ু, ৱি দিমান্দ সভেন্থ পে, এম এস পি সী এল এন্দ এম এস পি দি সী এল দিমান্দ সভেন্থ পে, অথুবা মতমদা আর ও পি ২০১৯গী মতুংইন্না খুদোংচাবা পীয়ু হায়বনচিংবা ইবা প্লেকার্দশিং পায়খি।